থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূন্সি-শিন্থা (কর্ম্ম) অমসুং পূক্নিং-ৱাখল -১

‘হে ঈশ্বর ! ঐবু নহানমুক’ মপোক্তা করি কর্ম্ম তৌরক্তুনা হন্দক মপোকসিদা করিগী অসুক ৱাহনবীরিবনো’?... ইমানা, ইনেনা, ইতে দান’না মমাংঙৈ তত্তনা শোন্নরম্বা তকশি মখল অমনি। মানা হায়রিবদু করিনো? মশা খঙজদনা শোল্লিবনি। ঈশ্বর হায়বসি করিনো? কর্ম্ম হায়বসিনা করিনো? হন্দক’ মপোক অমদি নহানমুক্কী মপোক হায়বা অমমম লৈবরা? অনীসি মরী লৈনবরা? করিমত্তা খঙদনা হায়রিবনি। মথক থোংবা অহল, লাই-গুরুগুল্লবা, লাইনীং লম্বী অমদা লাইমিং লৌবীবা কনাগুম্বনা মখোয়দা থাজহল্লমগনি- মখোয়না হিংলিবা পুন্সিসিদা ফংলিবা নুংঙাইবা, নংলিবা অৱা-অনা পূম্নমক, মমাঙগী মপোক অদুদা তৌরকখিবা থবকশিং অদুগী মহয়নি... থবকশিং অদু ‘কর্ম্ম’নি... কর্ম্ম অদুনা হন্দক-মপোক (হিংলিবা পুন্সি) অসিগী লাইবক লেপ্লি- অসিনচিংবা। লাইবক, বিধাতা, দেস্তিনি- হায়বসি তাইবং শেম্বা মপুনা হান্না ইদুনা লৈখ্রবনি, তম্বা ঙমদবা লাইবক হায়বসিদগী কনানসু নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙম্লোই- হায়বনচিংবা ৱাফমসি ইথক থোংবশিংনা অমদি ঐখোয়না পারকপা ধর্ম্মগী ৱারী-লাইরিকশিংনা ঐখোয়দসু তম্বীরকই। চিত্রগুপ্তা কৌবা লাইরৈবাক্কী স্পাই অমনা ঐখোয়না তৌরিবা থবক-থৌরমশিংগী অফ-ফত্তগী অরোনবা রিপোর্ট অমা নুংতিগী ইদুনা লাইরৈবাক্তা থাগৎলি... নৌরিবা কোক্তুদা ঐখোয়দসু থাজহল্লকই। ৱাফমসিগী অচুম-চুমদা, মরম চাবা-চাদবা খন্থগনবা, থিগৎকনবা খরা নত্তনা অয়াম্বনদি থাজবা অসি পুদুনা মপোক অমা শাগোন্নখিবমক্তনি।

হৌজিক্তি ঐ-থাজবদু হোংলে। নহানমুক্কী মপোক, অমসুং মথংগী মপোক হায়বা অমা সূপলৈ লৈতে হায়বসিমদি চপ চানা খঙলে ঐ। তাইবংসিদা হিংলিবা কনাগুম্বা অমত্তা মমাঙগী মপোক অমদা মী-শা-ঙা-উচেক ওইনা পোক্লমদে, পোক্লোই মথংগী মপোক অমদসু। মী ওইনা পোক্লবা ‘মপোক’ অসি তাঙবদগী তাঙলবা, মমাঙদসু পোকখিদ্রবা, মতূংদসু পোক্লরোইদবা, অনী শুদবা মপোকনি। মপোকসি মশক খঙদোকসি। কদায়দা, কমদৌনা, কনাগী শিয়োম্নুংদগী তাইবংসিদা লাক্তুনা, কনাগী খোম্লাং থক্তুনা, কনানা পীজ-পীথক তৌদুনা ঙসিগী ‘ঐ’সি ওইরকখিবনো খঙদনা হিংলকখিঙৈ মতমদো- ঐগী নহানমুক’ মপোক্নি। ইমা, ইপা, ইখুরা, ইতোন, হৌমিন্নরকপা, চাউমিন্নরকপা... মফমদুগী ঈশিং-নুংশিৎ, পূম্নমকসিনা ঙসিগী ‘ঐ’ শেম্লকই। নুংশি-চাউবা, নৎত্রগা নুংশি হৈতবা মমা-মপা (অপোকপা নৎত্রগা অয়োকপা)... ৱারক-চেৎপা খূৎ, নৎত্রগা তোনান্নবা খূৎ-অদুগী মতুংইন্না শেম্লকই অঙাং অদুগী ‘মথং-মপোক’। ঐহাক অসি কনানো? কনাগী মচা-মশুনো? তাইবংপান অসি করিনো? তাইবংসিদা ঐহাক করি তৌবা লাকপনো? ঐহাক হৌজিক করি তৌরি? তৌফম থোকপদু করিনো?... হায়বনচিংবা ৱাহংশিং অসি হংবা হৌরক্লবা মতমদুনা হৌরে- ঐহাক নৎত্রগা কনাগুম্বা অমগী ‘হন্দক-মপোক’! খঙফম থোকপসি খঙলক্লবা মতুংদা ঐনা তৌরিবা থবক, পাঙথোক্লিবা ইথৌ-থৌদাং অদুবু কৌই ‘কর্ম্ম’। কর্ম্ম-সংস্কৃত ৱাহৈ অমনি। ৱাহন্থোক্তি- ‘কনাগুম্বা মীশক অমনা হৌজিক অমসুং হৌখ্রবা মতম খরগী মমাঙদগী তৌরক্লিবা/ পাঙথোরক্লিবা থবকশিং’ অদুনি। হিন্দুইজম অমসুং বুদ্ধিজম’গী মতুংইন্না- মী অমগী মরাইবক, মহাক্না তৌরকখিবা ‘কর্ম্ম’ অদুনা লেপ্লি- থাজনৈ। পুন্সি তাঙ্কক অসিদা মহাক্না তৌখিবা থবকশিং অদুনা, মহাক্কী মথং-মপোক (মপোক-থোক-ময়া-লাং, শোনজিল্লক্তুনা করিমত্তা তৌবা ঙম্লরোইদবা পুন্সি তাঙ্কক) অদুদা ওইরক্কদবা পুন্সিগী মশক লেপ্লী। মতমদুদা, পূক্নিংগী অনীংবা-অপাম্বা থম্মোয় থন্না লৈরবসু, মদু ফংনবা করিসু তৌবা ঙম্লরোই। হৌখ্রবা মতম-তাঙ্কক অদুদা ঐনা শেমজরম্বা পুন্সি, ইচা-ইশুশিং অদুগী অনীংবা-অপাম্বদুগী মখা পোল্লগনি। হৌখ্রবা মপোক, হন্দক মপোক অমদি মথং’ মপোক- পুন্সিসিমক্কী থেঙ্খাং-তাঙ্কক অহুমদুগী মমিংনি। মপোকসিদা পোক্লদ্রিঙৈ মমাঙ অমসুং শিরবা মতুংদা পোক্লগদৌরিবা মপোক্তুগী মমিং নত্তে।


হৌজিক্তি, ৱাফম অসি য়াম্না ময়েক শেংলে- মীওইবগী মপোক অহুম হায়বসি ঐখোয়না পুন্সিসিদা পাঙথোক্লম্বা শিন্থা’গা মরী লৈনৈ। ‘কর্ম্মগী ফল’ (থবক্কী মহয়) হায়রিবসি মসিনি। মতাংসিদা, ৱাহং অমা থোরকই- পূক্নিং অমসুং কর্ম্ম- অনীসি মরী লৈনবরা? থৱায়পানবা অমা ওইনা তাইবংসিদা পোক্লরবা খূদিংমক হিংনবগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌই। শাহিং চাবা শাশিংনা হিংনবগীদমক অতোপ্পা শা হাৎলি। উচেকশিংনসু চায় অতোপ্পা থৱায় পানবশিং। মখোয় খঙদে ধর্ম্ম-কর্ম্ম করিনো? অফ-ফত্তা, অচুম-চুমদাগী ৱা থিরিবা মী-ওইদ্রবা মীওইবশিং খক্তনি। হৌজিক্তি, তাইবংপানসিদা হিংদুনা লৈরিবা মীওইবা, মখল অনীখক্তনি- ‘শাগা পাঙ্খক ওইরবা মীওইবা’ অমসুং ‘মীগী শক্লোন লৌরগা পোক্লকপা থৱায়পানবা’। অনীসিগী মরক্তা ঐহাক্না করম্বনো- ইশানা ইশাদা হংজসি। মীওইবা অমা ওইনা ঐখোয়না পাঙথোক্লিবা ইথৌ-থৌদাংসি-হিংনবগীদমক শা-ঙা-উচেকশিংনা পাঙথোক্লিবদুগুম্বরা? নৎত্রগা, পূক্নিংসিগী থৌইনশিন’না ইনশিল্লগা তৌরিবরা? মীওইবগী ইতিহাস পারুরগা, অৱাবা ৱাখল অমা থম্মোয়সিদা মরু হুল্লকই- শা-ঙাগুম ‘অকোয়বগী ফীভমনা ওইহল্লকপা লমচৎ-শাজৎ-বিহেভিয়রদুদগী পূক্নিংগী জ্ঞান-লৌশিং (ইন্টেল্লিজেন্স)না মীওইবগী পুন্সিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলকপগী মহুৎ হেন্না নেম্বা থাক অমদা কূমথরক্লিবা করিগীনো? খঙই- হায়রক্কনি পূম্নমক্না... ঙরাং লৈরম্বা থাক্তুদগী মীওইবগী পুন্সি, ঙসি, অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলে, মীওইবগী লমচৎসু ওল্লে ঙসি অঙকপা ফংনা। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা মালেমবু লাইরৈপাক ওইহনখ্রে। অদুবু, সাইন্টিফিক এচিভমেন্ট অমদি ইনভেন্সন’না মীওইবগী চাউখৎপগী থাক ওনগদবা নত্তে হায়বদি, খ্বাইদগী ৱাখল লৈরবা সাইন্টিষ্ট অমনি থাজনখিবা ‘ষ্টেফেন হোকিং’গী ৱাহৈসিনা তাকই... ‘হৌজিক ওইরিবা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী অওনবসি লেপ্তুনা চত্তরবদি মালেম (পৃথিবী) অসিগী মপূন্সি চহী চাম্মদগী হেন্না চৎলরোই’...।

মীওইবগী অশেংবা চাউখৎপগী থাক অদুদি পূক্নিং-ৱাখলগী থাক, কন্সসনেস-লেভেল অদুনা তাক্লক্কদবনি। চহী লীশিং-মঙাগী মমাঙদা ইরমখিবা শ্রীমদভগবত-গীতাগী ৱারোলশিংদু শীংনদুনা, মদুদই হেনবা পাউরৌ-পাউতাক অমা ঙসি ফাওবা কনামত্তনা ইরত্নিবা করিগীনো? বাইবল অমসুং কোরানদা ইরম্বা ৱারোলশিংদুতবু খৃষ্টিয়ন অমসুং মুসলমানশিংনা পুন্সিগী ‘লিভিং-প্রিন্সিপল’নি লৌনরিবা করিগী? ইচম চম্বা পাউখুমনি- পূক্নিং, ৱাখল অনীগী অহোংবা লাক্তবা! চাউখৎলকপই মহুৎ চাউথরকপা।



# মচি ওইবা চীঞ্জাক চাদবা, হকচাং শাজেল

## তৌদবনা মরম ওইদুনা লায়রবা ইমুংগী নুপীশিংগী হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহল্লি



লায়রবা ইমুংদা লৈবা নুপীশিং, মরুওইনা ইনখৎলক্লিবী নুপীশিং হকচাংগী অরূম্বা হেল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদো-দেনভরগী অদাম লিপর্টনা হায়খি, লায়রবা ইমুংগী মীওইশিং হকচাং শাজেল তৌনবগী খুদোংচাবা ফংদে। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চানবগী খুদোংচাবসু লৈতে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ইমুংগী লৈত-লায়রগী ৱাখলদা মতম চুপ্পা নুংঙাইবা ৱাখল খনবা ঙমদে।

অয়াম্বা মতমদা থৱায় নুংঙাইতবা, হকচাং শাজেল তৌদবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবনা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লকপনি। করিগুম্বা য়ুম হোংদোক্তুনা ইনাক-কৈরাক খুনবা মীওইশিংগী মরক্তা লৈরবদি খুদোংচাদবা থোরকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

ক্লাস সেভেন্দগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা তম্বা মহৈরোয়শিংগী চহী ১৩ চুপ্পা চথখিবা নেসনল সর্ভে অমগী দেটা কুপ্পা নৈনরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

‘হেল্‌ঠ এন্দ সোসল বিহেবিয়র’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমসুং কা-হেন্না নোয়বনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা, টাইপ-টু দাইবেটিস, এবনোর্মেল ব্লদ ফেট,

মেটাবোনিক সিন্দ্রোম, কেন্সর, ওষ্টিওঅরথ্রাইটিস, স্লিপ এপনিয়া, ওবেসিটি হাইপোভেন্টিলেসন সিন্দ্রোম, রিপ্রদক্টিভ প্রোব্লেম অমসুং গোল ব্লাদরদা নুঙ লৈরকপা অসিনচিংবনি।

বোদি মাস ইন্দেক্স হেনগৎলকপা মতমদা কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি) গী রিস্ক ৱাংখৎলকই। থৌওং অসিনা মরম ওইরদুনা কোরোনরি অর্টরিদা প্লেক কৌবা অনপ্পা পোৎশক মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোকহন্দুনা হার্ট ফেল ওইহল্লকপা য়াই।

ব্লদ প্রেসর হায়বসি হার্টনা ঈ পম্প তৌরকপা মতমদা অর্টরিগী ৱালদা পীবা শাফু অদুনি। প্রেসর অসি মতম শাংনা ৱাংদুনা লৈরবদি হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। কা-হেন্না নোয়বা অমসুং লুম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

হকচাংগী ব্লদ গ্লুকোজ নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওংবু দাইবেটিস হায়না খঙনৈ। ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক পুম্নমক গ্লুকোজ ওন্থোক্লগা হকচাংগী সেলশিংদা য়েন্থোকই। সেলশিংনা ইন্সুলিন কৌবা হোর্মোন অমা শীজিন্নরগা গ্লুকোজ অদু ইনজি’দা ওন্থোকপনি। দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংদদি হকচাংগী সেলশিংনা ইন্সুলিন মওং তানা শীজিন্নবা ঙমদবদগী ব্লদ সুগর লেবেল অদুম্মক ৱাংদুনা লৈবনি। দাইবেটিসনা নারবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লি।

হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি ব্লদ ফেটকী চাংদা অহোংবা কয়া থোক্লকই। খুদম ওইনা ট্রাইগ্লাইসরাইদ অমসুং এল দি এল (ফৎতবা) কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকই অমসুং ঐচ দি এল (অফবা) কোলেষ্টরোলগী চাং হন্থরকই। মতৌ অসুম্না ব্লদ ফেটকী চাংদা অহোংবা লাকপনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি) গী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি কোলোন, ব্রেষ্ট, এন্দোমেট্রিয়ল অমসুং গোল ব্লদরদা কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। লোয়েননা খুউ তাং, নিংজোল অমসুং খ্বাঙগী শরূ তাইনফমদা চৈনাখোল ফাওরকপা, ওষ্টিও অরথ্রাইটিস ওইহল্লকই। হকচাংদা ফেটকী শরুক কা-হেন্না য়াওরবদি ঙকশম মপাদা ফেট পৈশিল্লক্তুনা তূম্লিঙৈদা নিংশা শ্বর ফুনবা (স্লিপ এপনিয়া) গী খুদোংচাদবা ওইহল্লকই। কা-হেন্না নোয়রবদি নিংশা শ্বর হোনবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লকপদগী চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙম্লক্তে। ওবেসিটি হাইপোভেন্টিলেসন সিন্দ্রোম (ও ঐচ এস) হায়না খঙনবা থৌরাং অসিনা ঈদা য়াওবা ওক্সিজেন ৱাৎলক্তুনা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলকপদগী হাইপোক্সিমিয়া অমসুং হাইপোভেন্টিলেসন ওইহল্লকই।

নুপীশিংনা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবগা লোয়নননা মীরোনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকই।

গোলষ্টোন হায়বসি গোল ব্লদরদা নুঙ মানবা অকনবা পোৎশক মপং-মপং পৈশিল্লকপগী থৌওংবুনি। হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা লোয়ননা কা-হেন্না নোয়রবদি গোলষ্টোনগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি হকচাংগী অরূম্বা হেনবদগী ওইহল্লকপনি। রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লায়রবা ইমুংগী নুপীশিং হকচাং শাজেল তৌবগী খুদোংচাবা ফংদবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা মরম্না হকচাংগী অরূম্বা হেল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোংবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মিনিষ্টর এল সুসিলদ্রোনা গার্বেজ ভেহিকল কে এস ৱাই সীদা খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

লৈঙাক অসিগী মরুওইবা কেফ এন্দ পি দি অমদি পি ঐচঈ দিগী মিনিষ্টর ওইরিবা লৈশাংথেম সুসিলদ্রোনা খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী)গী থৌমীশিংদা অমোৎ-অকায় শেংদোক্তুনা হাপ্তুনা পুনবা গার্বেজ ভেহিকল অমা খুৎশিন্নখ্রে।

অমোৎ-অকায় পুদুনা অতোপ্পা মফমদা হুন্দোকপদা শীজিন্ননবা গার্বেজ ভেহিকল খুৎশিন্নখিবা অদু ঙসি লৈশাংথেম সুসিলদ্রোনা কেফ এন্দ পি দি অমদি পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর ওইরকপগী তরাম্না ওকপা অমসুং খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী)গী নৌনা খল্লবা ওফিস বিয়াররশিং অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং তরাম্না ওকপগী লম্লোং বজারদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিলদ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, খুরাই এ সী অসি ইম্ফাল সিটিগা য়াম্না নক্লবা মফম অমা ওইরবসু দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎকদবা য়াম্না লৈরি। ঙসি ঙসিমক এ সী অসিদা ইমুং কয়া লৈত-লায়রগী অৱা-মৈচাক কয়া খাঙদুনা হিংদুনা লৈবা কয়া লৈরি। মরম অদুনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবগীদমক থবক থৌরম কয়া হান্নদগী হেন্না মপুং ফানা থবক তৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। এ সী অসিদা চাউখৎনবা থবক থৌরমশিং তৌরকপদা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সোসল ওর্গনাইজেসনশিং অমদি ক্লবশিংনা চাউনা মতেং পাংবগী তঙাইফদবা লৈ। খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী)নসু লম্লোং বজারবু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। কে এস ৱাই সীনা লৌরিবা থৌদাং অসি অমুক্কা হেন্না মপুং ফাহন্নিংবদগী অমোৎ-অকায় শেংদোকপা মতমদা পুথোক-পুশিন তৌনবা গার্বেজ ভেহিকল অসি খুৎশিন্নবনি। মীয়াম্না য়াম্না ফজনা শীজিন্নদুনা লম্লোং বজারবু তরু-তনান্না থমদুনা ক্লিন ওইবা মার্কেট অমা ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু। মসিদা ঐহাক্কী মায়কৈদগীসু মখা তানা অঙম্বা মতেংশিং পাংগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, খুরাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লম্লোং কৈথেল অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্তুনা পোৎ-চৈ কয়া য়োনবা অমদি লৈবা অচৌবা কৈথেল অমা ওইবা মরম্না পোৎ-চৈ য়োনবা অমদি লৈবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক্তসু কৈথেল অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা দ্রেননচিংবশিংসু মতিক চানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকসু লোইশিল্লক্লবনি। মসিদা মীয়াম্নসু অচৌবা মতেং পাংবীদুনা মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী তরু-তনানবা কৈথেল অমা ওইহনসি। লোয়ননা খুরাই এ সীগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অমদি লমদম অসিগী তৌহন্নিংবা তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী মতাংদা পাউ খঙহনবীরকউ। মদুসু কোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী)গী নৌনা খল্লবা ওফিস বিয়াররশিং অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ক্লব অসিনা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা পাঙথোক্কদবা থবকশিং অমদি পাঙথোকপা য়াবা থবকশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না ম্যুজিকেল নাইটকী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৫।২০২২ ইং, ইরাই;
কালেনগী ২০নি পানবা।

মেষ: অশাওবা অমদি নচা-ননাইনা লন ময়েং তাহনবা লৈগনি অমদি ঈরাং পুবনা চাদিং তৌগনি-তপথৌ। থেংলপ্পা ৱাখল থোকপা, শেন্দোং ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: চেকশিন্দবনা করিসু নত্তবদা ঈকায়বা নংবা য়াবা লৈ-খুৎ চাওগনু অমদি খন্থদনা ৱা ঙাংগনু। ইমুংগী ৱা তারদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি, মীনসু কিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: অয়ুক্তা মতম মাঙহন্দনা থৌরম পাঙহৌবা অমদি খোঙশালহৌবা কান্নগনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি মরুপ-মপাংশিংনা য়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: লাইবক ফবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংজবা নুমিৎনি। মরুপ পুনবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি- মীয়ামগী মতেং লৌবসু মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: পুং ৯গী তুংদা নীংবা থুংগনি, ওইজ-ওইথকসু ফংগনি। চঙশিনখ্রবা থবক্তদি নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিল্লো মায়থিবা লৈররোই। ফিংবদি নুংশাথিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা: নুংঙাইফম খঙদবা অমদি মতম মাঙবা লৈগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি ইকায়বা নংবা য়াবসু লৈ-ৱাঙাং চেকশিল্লু। অরিবা থবক্তমক পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

তুলা: অয়ুক পুং ৯ ফাওবা আশা চাওগনি, অনৌবা থবক পাঙবা হৌবা য়াগনি। লৌশিং চাওরবসু ফুদোকপা হৈবা ৱাৎপনা অফবা খরা ফংলসু য়েক্লবা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱাতদি লৌগনু-ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাবা, খল্লুদবা কান্নবসু ফংবা, ইমুং-মনুং অমদি মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি। নাপলদতি তৌগনু-পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু: মরুপ-মপাংগা শাওনবা অমদি য়েক্লবনা ওৎপা লৈগনি-তপথরদি মাঙবা লৈরোই। পাঙনীংবা থবক পাংবদি ঙমগনি, ফমথোল ফংনবা হোৎনবসু কান্নগনি
লৈশা পাখংশিংগী- রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মকর: থেংলপ্পা নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা, পাঙনীংবা থবক পাঙবা, নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা লৈগনি। য়েৎনবা, অখঙবা শাবনা হেন্না মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পুং ৯ ফাওবা লম খুদিংদা লাইবক ফগদবা অফবা খোঙশাল লৈ। পাউ নুংঙাইবা তাবা অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। অঙম্বনসু থোইনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: থবক পাঙবদা নত্তনা শেল-থুম অমদি মীয়াম পুনবগী লমদসু চাওনা মায় পাক্কনি। মীকোক শোয়দনা থোংগনি, খুদক্কী ৱারেপ লৌবসু অকায়বা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙসিসু মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# থৱান





ঈশিং চাউরে, য়ুম্ফম ৱাংহল্লো লৈপাক থারো লৈপাক থোল্লো,
অকুৎপদা চেন্থরো অকুৎপদা নমথরো।